# অর্জেন্টিনা মচা নাদিয়া পোদোরোস্কা অমসুং দিএগো স্বার্মেন নুপী অমসুং নুপাগী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে





পেরিস, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): চহী অসিগী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অর্জেন্টিনা মচা অনী নাদিয়া পোদোরোস্কা অমসুং দিএগো স্বার্মেন মথংশিংনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনাগী নাদিয়া পোদোরোস্কা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী শান্নরোয় এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা পোদোরোস্কানা ফজবা সোট কয়া শিজিন্নদুনা স্বিটোলিনাবু লাকশিনদুনা সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা স্বিটোলিনাগী মায়কৈদগী হান্না শান্নরম্বা মশান্না অদুদগী ফজবা হেনগৎলকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী সার্ভিস গেম ৪ মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু লুশিল্লকপা তাঞ্জাদা পোদোরোস্কানা সার্ভিস গেম অমা মতাং চানা ব্রেক তৌখিবদগী সেট অদু ৬-২দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমীফাইনেলদা পোলেন্দগী আইগা স্বিটেক অমসুং ইটালিগী মার্টিনা ট্রেবিসনগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্মেননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেটতগী হৌরগা শান্নরোয় অনীমক অকনবা লম্বা তৌনখি।

সেট অদু টাইব্রেক্তা য়ৌরক্তুনা চাংয়েং তৌনবদা স্বার্মেননা পোইন্ট ৭-১দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা সেট অদুসু নাকল অনীগী মশান্নদা শোনথবা লৈখিদে। গেম ১০ ফাওবা গেম ৫-৫দা লৈনখি। অদুবু থিয়মনা স্বার্মেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদুসু টাইব্রেক্তা লাকপদগী হন্দক্লা থিয়মনা পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল অদু মহাক্না সেট ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মরীশুবা সেট অদু থিয়মনা থোইরবদি সেমীফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। অদুবু স্বার্মেনগী মায়কৈদগীনা সেমীফাইনেল য়ৌননবা সেট অনী মায় পাকপা তঙাইফখিদে।

অর্জেন্টিনা মচা অদুনা মরীশুবা সেট অদু টাইব্রেক্তা থিয়মবু পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা মেচ অদু সেট ২-২দা লৈনখি।

মঙাশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী খর হন্থনা শান্নরকপগী মমি তাখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা স্বার্মেননা সার্ভিস গেম অনী থিয়মদগী মুন্দুনা সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা অহানবা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। দিএগো স্বার্মেননা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ২ সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং ইটালিগী শান্নরোয় জানিক সিন্নরগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

# মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা রাজস্থান রোয়লসপু ২০শুবা মেচতা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা রন ৫৭তা মায়থীবা পীখ্রে



অবু ধাবি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ২০শুবা মেচ অদুদা ঙসি অবু ধাবিগী সৈখ জায়েদ ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৫৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী কেপ্টেন রোহিট শর্মানা ঙমদুনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৯৩ লৌবা ঙমখি। ওপনর দি কোক অমদি রোহিট শর্মানা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪৯ শুপ্নগী ওভর ৫দা লৌখি। দি কোকনা বোল ১৫দা সিক্স ১, ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৩ য়ৌরকপদা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা সুরিয়া কুমার য়াদব অমদি রোহিট শর্মানা মখা তানা রন ৮৮ ফাওবা শান্নমিন্নখি।

রোহিট শর্মা বোল ২৩দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ইসান কিষন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ক্রুনল পান্দিয়াগা য়াদবকনা ইন্নিংস মখা চথ্থরকপদা রন ১১৭ শুরকখি। মদুদা ক্রুনল রন ১২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ১৫শুবা ওভরদগীনা লেমহৌবা ওভর ৫ অদু সুরিয়া কুমার য়াদব অমদি হার্দিক পান্দিয়ানা আউট ওইদনা শান্নবদগী স্কোর অদু ১৯৩ য়ৌখি। য়াদব বোল ৪৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১১ য়ৈরগা রন ৭৯ লৌখি। অদুগা হার্দিক পান্দিয়ানা বোল ১৯দা সিক্স ১, ফোর ২ য়ৈদুনা রন ৩০ লৌখি।

মায় পাক্লনবা রাজস্থান রোয়লসনা রন ১৯৪ লৌগদবা অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা মখোয়গী বেটচমেন ১০ মক রন ১৩৬তা আউট ওইখিবদগী মেচ অদু রন ৫৭তা মায়থীবা নংখি।

রাজস্থান রোয়লসকী ওপনর য়াসসভি জস্বাল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎতা চঙলকখিবা ষ্টিভেন স্মিথসু শুপ্নগী রন ৬তা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন সঞ্জু সেমসন বোল ৩ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। টিম অদুগী স্কোর বোর্দতা রন ১২ লৈরিঙৈদা বেটচমেন ৩ আউট ওইখি।

ওপনর জোস বটলর অমদি মঙাশুবা বেটচমেন মহিপাল লোমোরনা টিম অদুগী ইন্নিংস রন ৪২ ফাওবা শান্নমিন্নবা ঙমখি। লোমোর মশাগী রন ১১দা আউট ওইখি। মখা তানা লাকখিবা তোম কুরন অমদি বটলরনা রাজস্থানগী স্কোর অদু ৯৮ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী বোলরশিংবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখিবা জোস বটলর রন ৭০দা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৪৪ মায়োক্লবদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

মহাক আউট ওইখিবদগী মখা তানা চঙলকপা বেটচমেনশিংফজনা শান্নবা ঙমখিদে। তোম কুরন রন ১৫দা আউট ওইখি। রাহুল টেৱাটিয়া রন ৫দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। শ্রিয়াস গোপাল রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইখি। নিপানশুবা বেটচমেন জেফ্রা আর্চর বোল ১১দা রন ২৪ লৌরমখি। অপূনবা স্কোর ১৩৬ শুরকপদা ১০শুবা বেটচমেন ওইখিবা অনকিট রাজপুট রন ২দা আউট ওইবদগী মেচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা থোইখি। মায় পাক্লবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা পোইন্ট টেবলদা পূন্না মেচ ৬তা পোইন্ট ৮ ফংলগা মাংজিল থাবা ঙল্লি।

# ইন্দিয়াগী সেলেক্টরশিংনা ওষ্ট্রেলিয়া টুরগীদমক মথংগী চয়োলদা শান্নরোয়শিং খনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা নবেম্বর ২৭তগী হৌগদৌরিবা টুর অদুদা শরুক য়াননবা টিম খনবগী থবক অদু বি সী সী আইনা মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না নেসনল সেলেক্সেন পেনেলগী লুচিংবা সুনিল জোসিনা ফোঙদোরক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টুর অদু নবেম্বর ২৭তগী হৌরগা টি-২০ মেচ অহুম হান্না শান্নগনি। মদুগী মখা তারকপদা দিসেম্বর ৪দগী ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ অহুম শান্নগনি। লোয়নননা এদলেদ সিটিদা দিসেম্বর ১৭তগী দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেচ ৪ শান্নগনি। বি সী সী আই ওফিসলশিংনা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী বোর্দ মেম্বরশিংগা চয়োল কয়া ভর্চ্যুএল ওইনা ৱারী শান্নদুনা সেরিজ অসি হৌননবা ৱারেপ লৌনখিবনি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং, কোচিং ষ্টাফ, সপোর্ট ষ্টাফ অমসুং লোয়নরক্কদবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী অকুপ্পা মরোল অদুসু য়ারিবমখৈ ঙন্না থারক্লবা খঙহল্লক্লি। মরক অসিদা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা বি সী সী আইদা টেষ্ট মেচ শান্নগদবা মফমশিং লাক্লিবা চয়োল ২গী মনুংদা অরোইবা ৱারেপ অমা ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী কোচিং ষ্টাফশিং দুবাইদা চৎকদৌরি। থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা চিটেশ্বর পুজারা অমদি হনুমা বিহারি য়াওনা য়ু এ ঈদা চৎকদৌরিবনি।

অহানবা বেটচ অদু দুবাইদা নবেম্বর ৪দা য়ৌগনি। লোয়নননা হৌজিক-হৌজিক য়ু এ ঈনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ টুর্নামেন্ট অদুদা প্লে ওফকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু নবেম্বর ১১দগী ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক খোঙশানগদৌরি।

ক্রিকেট মশান্নগী ওইবা ইন্টরনেসনল সেরিজ অমত্তা ইন্দিয়ানা চহী অসিগী মার্চ থাদগী শান্নরক্ত্রি। অদুবু ইংলেন্দনা হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং পাকিষ্টানবু য়ূম্বু ওইরগা সেরিজ অনী মায় পাক্লা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রবনি।

# কিরেন রিজিজুনা শান্নরোয় ২দা লুপা লাখ ৫/৫ সেঙ্কসন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি বোক্সর সুনিল চাওহান অমসুং মহাক্কী মনাও আর্চর নীরজ চাওহানদা লুপা লাখ ৫/৫গী শেলগী মতেং সেঙ্কসন তৌখ্রে।

সুনিল অমসুং নীরজগী অপোকপা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুং অসিদা থবক তৌরম্বদগী তোক্তুনা শেলগী অৱাবা কয়া অমা ইমুং অদুনা মায়োক্লরকপনি। উত্তর প্রদেশকী এথলিটশিং অদুদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় নেসনল ৱেলফেয়র ফন্দ ফোর স্পোর্টস পর্সনগী মখাদা শেলগী মতেং অদু পীগদৌরিবনি। নীরজ চাওহান কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা সিনিয়র আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী মিটর ৫০গী ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখিবা আর্চরনি। লোয়নননা কুমজা ২০২০দা পাঙথোকখিবা নেসনল স্কুল গেমসতা মেদল অমসু ফংখি। মহাক্কী ময়াম্বা সুনিল চাওহানননা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা বোক্সিংগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

সুনিলনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লুপা লাখ ৫/৫গী শেলগী মতেং পীবীরকপা অদুনা মহাক খক্তনা নৎতনা মহাক্কী ইমুং অদুগীদমক চাওনা কান্নবা ফংলগনি হায়না মিনিষ্টরবু মখোয়না ৱারবা মতমদা মতেং পাংলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। শেলগী অৱাবা তারবা শান্নরোয় অমহেক্তনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা শেলগী মতেং নীবা য়ারগনি নৎত্রগা ইমেল myasoffice@gmail.com দসু ইরকপা য়াগনি।

# রিএল মাদ্রিদ অমসুং শাকটর দোনেক্সনা চেম্পিয়ন্স লীগ মেচকীদমক অতোপ্পা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি

নিওন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা শান্নবা হৌগদৌরিবা অসিদা রিএল মাদ্রিদ অমসুং শাকটর দোনেক্সনা তোঙানবা ষ্টেদিয়মশিংদা মখোয়গী অহানবা গ্রুব বিগী মেচ অদু শান্নগদৌরি হায়না য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাংগী সিজনশিংদদি চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল মেচশিং অসি ক্লবশিং অদুগী হোম গ্রাউন্দদা লেগ অনী শান্নবনি। অদুবু হন্দক্কী সিজন অসিদা টিম অনীনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দশিং অদু শীজিন্নবা য়াদবদগী অতোপ্পা ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবনি।

রিএল মাদ্রিদনা স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা লৈবা অলফ্রিদো দি ষ্টিফানো ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং সেন্টর ওইগদৌরি। মখোয়না ওক্টোবর ২১দা য়ুক্রেনগী ক্লব শাকটর দোনেক্সপু য়ূম্বু ওইরগা শান্নগদৌরিবনি।

ভাবোক ৬,০০০ চনবা অলফ্রিদো দি ষ্টিফানো ষ্টেদিয়ম অসিনা চহী অসিগী জুন থাদগী রিএল মাদ্রিদকী মেচ খূদিংমক য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবনি। ক্লব অসিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা মমিং লৈরবা শান্তিয়াগো বর্নেবু ষ্টেদিয়ম শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথ্থরিবা মরম্না মেচ শান্নবা য়াদ্রি।

করিগুম্বা রিএল মাদ্রিদনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লক্লবদি বর্নেবুগী ষ্টেদিয়ম অদু মতম অদুদা শান্নবা য়ারগদ্রা য়েংশিনগনি হায়না য়ুএফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, শাকটর দোনেক্সনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ দোনবাস এরেনাদা ২০১৪গী ফেব্রুৱারী থাদগী য়ুরোপিয়ন মেচ অমত্তা শান্নদ্রি। মসিগী অচৌবা মরমদি য়ুক্রেনগা রসিয়ানা সপোর্ট তৌবা সেপেরেটিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লদুনা লৈরিবা মফম অমা ওইবননি। মরম অদুনা শাকটর দোনেক্সনা মখোয়গী হোম মেচশিং অদু কিয়েব সিটিদা লৈবা ওলিম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মফম অদুদা ওক্টোবর ২৭তা ইটলিগী ক্লব ইন্টর মিলানননা শাকটর দোনেক্সকা শান্নগনি। গ্রুপ বিগী অতোপ্পা ক্লব অদু জর্মনিগী বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাকনি।

# ইন্দিয়ন লীগ অমসং ইন্দিয়ান ৱিমেন্স লীগ মখাতানা শান্নবগী মতম য়ৈথোকখ্রে: এ আই এফ এফ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা নুপাগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ান লীগ অমসুং নুপীগী লীগ টুর্নামেন্ট অদু হান্না লেপখিবা মতম অদুদগী অমুক য়ৈথরে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ান ফুটবোল লীগ অসি মমাংদা লেপখিবা মতম অদু চহী অসিগী নবেম্বর থাদনি। মতম অদু অমুক য়ৈথোক্লগা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লবা খন্নরি হায়না লীগকী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার সুনান্দো ধরনা ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ অদুসু মথং চহীগী জনুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা তৌরম্বা অদু মে থাদা ওইনা পাঙথোক্লবা ওইনা পান্নরি।

আই-লীগ অসি এ আই এফ এফনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী অখন্নবা ষ্টেদিয়ম খরদা ওইনা শান্ননবা শীন্নরি হায়না ধরনা মখাতানা ফোঙদোরকখি। লীগ ক্লবকী মপুশিংগা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ৱারী শান্নদুনা খন্নখিবদা অয়াম্বা ক্লবনা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি হন্থবগী মহুত্তা হেনগৎলকপা য়াওরি। মরম অদুনা ক্লবশিং অদুগী শান্নরোয়শিং প্রি-সিজন ফাওবা শান্নবা ঙমদনা লৈবা মরম্না আই লীগ অসি মতম য়ৈথোকপা পাম্নখি।

লোয়নননা ক্লবশিংগী মায়কৈদগী মখাতানা ফোঙদোক্লরকখিবদা সিজন লোয়শিনবগী মতম অদুসু ফেব্রুৱারী থাদা ওইগদবা অদু মার্চ থাদা ওইনা লোয়বা পাম্মী হায়না সিঈও সুনান্দো ধরনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

এ অই এফ এফনা আই লীগকী মতাংদা বেঙ্গোল ফুটবোল এসোসিএসনগা অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কা কুপ্পা খন্ন-নৈনখিগনি হায়রি। দিসেম্বর থাদা পাঙথোকপা য়াবগী ৱারেপ অদু অথুবা মতমদা ফোঙদোক্লবা শিল্লি।

টিম ১১ য়াওবা লীগ অসি লোয়শিনবদা পুন্না থা ৩ লোম চঙগনি। কোলকটাদা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা আই-লীগ ক্বালিফায়র্স অদু বাইও-সেক্যুর ববলদা শান্নগদৌরিবা অদুসু মুন্না খঙজিন্দুনা আই-লীগকী মতমদসু শিজিন্নবা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিল্লি হায়খি।

আই-লীগ পাঙথোকপা মতমদা সেপ্টি প্রোটোকোলশিং অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ধরনা হায়, আরটি-পিসিআরগী রিজল্ট অনীদা নেগেটিব ওইবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খক্তমক বাইও-সেক্যুর হোটেলশিংদা লৈহনগনি। হোটেলদা নুমিৎ ৪নি লৈগনি। অরোইবা নুমিৎ অদুদা টেষ্ট অমুক তৌগনি। মদুদা নেগেটিব ওইরবা শান্নরোয়শিংনা জিম অমসুং প্রেকটিস তৌবা য়াগনি। অদুগা মেচ শান্নবা য়াগনি। লোয়নননা নুমিৎ ৫নি খুদিংগী টেষ্ট তৌগদৌরি।

করিগুম্বা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপশিং অদু খুদক্তা হোটেল অদুগী অতোপ্পা মফম অমদা ক্বারেন্টিন তৌদুনা থমগদৌরি। মখোয়কনা অমত্তগা উন্নবা য়ারোই অমসু চান-থক্লবা পুম্নমক কাদা পীগনি। লোয়নননা নেগেটিব ওইদ্রিবা ফাওবা কাদগী থোকপা য়ারোই হায়রি।

বাইও ববল হোটেলশিং অদুগী তোঙান-তোঙানবা ফ্লোরশিংদা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং থমগনি। হোটেলগী মীওই পুম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট নেগেটিব ওইগদবনি। মপানগী মীওই অমত্তনা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংগা উন্নবা য়ারোই।

অমরোমদা শিলোংদা অহানবা ওইনা ফুটসাল লীগ হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদুসু মথং চহীগী মে অমসুং জুন থাদা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি।

# পার্টেনা অর্সনেলদা য়াওখ্রে, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা কবানি সাইন তৌখ্রে অমসুং বেয়র্ন ম্যুনিকনা সার লৌশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মরক্তা শান্নরোয় ট্রান্সফর তৌবগী লোইশিল্লকপা মতমদা স্পেনগী ক্লব এথলেটিকো মাদ্রিদতগী থোমাস পার্টে অর্সনেলদা য়াওখ্রে। ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফ্রান্সকী পি এস জিদগী ইদিন্সন কবানি সাইন তৌখ্রে। লোয়নননা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা মার্শেল ফুটবোল ক্লবতগী বোনা সার লৌশিনখ্রে।

ইংলেন্দগী অর্সনেল ফুটবোল ক্লবতা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা মশাগী চহী ২৭শুরবা ঘানা মচা থোমাস পার্টে হান্না স্পেনগী ক্লব এথলেটিকো মাদ্রিদকী মিদফিল্ডর অমা ওইনা শান্নরম্বনি। মহাক য়াওরকপদগী অর্সনেলগী দিফেন্স লাইনদা চাওনা কান্নবা লৈরগনি হায়না ক্লব অদুগী মেনেজর মাইকেল অর্টেটোনা ফোঙদোকখ্রে।

থোমাস পার্টেবু এথলেটিকো মাদ্রিদনা অর্সনেলদগী য়ুরো মিলিয়ন ৫০ লৌরগা মহাকপু সিজন অসিদগী রিলিজ তৌরকপনি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্টজর্মেনদগী মশাগী চহী ৩৩শুরবা উরুগ্বে মচা ইদিন্সন কবানি ফ্রী ট্রান্সফরদা হন্দক্কী সিজন অসিদগী শান্নবা হৌরগনি। কবানিনা পেরিস সেন্ট জর্মেন ক্লবকী পূন্না মেচ ৩০১ শান্নবদা পাঞ্জল ২০০ চনবা ঙমখি। শান্নরোয় অসিনা পেরিস সেন্ট জর্মেনদা চহী ৭ শান্নদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদু চহী অসিগী জুনদা লোইখিবনি। উরুগ্বে মচা অসিনা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী কন্ট্রেক্ট অদু লোইরমদাইদা শোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদবনি। মহাক চহী অসিগী মার্চ থাদগী মেচ শান্নদনা লাক্লি।

নাকল অমরোমদা, য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা লোয়নননা জর্মনিদা পাঙথোকপা লীগ টুর্নামেন্ট, বুনদেসলিগা, জর্মন কপ অমসুং সুপর কপ টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা ফ্রান্সকী ক্লব মার্শেলদগী চহী ৪গী কন্ট্রেক্টতা মশাগী চহী ২৮-শুরবা বোনা সার সাইন তৌনখি। বোনা সার মশামক রাইট বেক পোজিসনদা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয়নি। মহাক্না মরুওইবা পোজিসন অসিদা বেয়র্ন ম্যুনিকপু চাওনা মতেং পাংলগনি হায়না ক্লব অসিগী বোর্দ মেম্বর ওইরিবা হসন সালিহামিদিকনা ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্টজর্মেননা চহী ৩গী কন্ট্রেক্ট অমদা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনাদগী মশাগী চহী ২৭শুরবা মিদফিল্ডর ব্রাজিল মচা রাফিনাবু সাইন তৌখি।

ইটলিদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না চঙনা জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবনা ফ্যুরেন্টিনা ফুটবোল ক্লবতগী য়ুরো মিলিয়ন ৫০দা মশাগী চহী ২২শুরবা ৱিঙ্গর ফেদেরিকো সিএসাবু সাইন তৌখি। সিএসানা ফ্যুরেন্টিনা ক্লবতা শান্নরিঙৈ মতমদা পূন্না মেচ ১৫৩ শান্নবদা পাঞ্জল ৩৪ চনবা ঙমখি।

ক্লব অসিনসু বর্সেলোনাদগী অর্থরবু সাইন তৌখি। লোয়নননা এথলেটিকো মাদ্রিদতগী অলভারো মোরাতা অমদি জর্মনিগী ক্লব সালকে ০৪দগী ৱেষ্টর্ন মেকিনিবু লৌশিনখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা সাউথমটনদা এবর্টনদগী থিও ৱালকোট লোনদা সিজন অমা শান্নগদৌরি। এবর্টন ক্লবনা মখা তানা নোরৱিস ফুটবোল ক্লবতগী দিফেন্দর বেন গোদফ্রে বৃটিশ পাউন্দ মিলিয়ন ২৫দা সাইন তৌনখি। গোদফ্রে মমাংগী চহীদা ইংলেন্দগী চহী ২৫ মখাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইখি। এবর্টনগী মেনেজর কার্লো এন্সেলোটিনা ফোঙদোকখিবদা, গোদফ্রেনা টিম অদুগী দিফেন্স লাইন মপাঙ্গল হেনগৎহল্লগনি। লোয়নননা টিম অদুনা ইটলিগী এ এস রোমাদগী গোলকিপ্পর রোবিন ওলসেনসু লোনদা লৌখি।



# দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদুনা মশা ফিট ওইবগী ফিভম চাংয়েং তৌরগনি: সেন

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী): ওক্টোবর ১৩দগী পাঙথোক্কদৌরিবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট শরুক য়াদুনা মশা ফিট ওইরি হায়বা অদু চাংয়েং তৌরগনি হায়না ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বেদমিন্টন শান্নরোয় মশাগী চহী ১৯ শুরবা লক্ষ্য সেননা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন লৈখিবা মরম্না ইন্টরনেসনল এরিনাদা শান্নদুনা রেঙ্কিং ৱাংখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্বা অদু চাউনা অপনবা পীদুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক দেনমার্ক ওপন অসিদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশরুক য়াগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৯দা লক্ষ্য সেননা সেনিয়র সার্ক্যুটতা টাইটল ৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা সারলোলক্স ওপন অমসুং দটচ ওপন টুর্নামেন্ট য়াওখি। হৌজিক হৌজিক লক্ষ্য সেন ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

লক্ষ্য সেননা ফোঙদোকখিবদা লোকদাউন মনুংদা লৈখিবা অৱাবা অদুগী মতুং মশা ফিট ওইনবা অমদি শান্নবা য়াননবা ট্রেনিং অমসুং কন্দিসনিং তৌবদা য়ামদ্রবদা চয়োল অনী হেন্না চঙখি। হৌজিক মহাক দেনমার্ক ওপন অসিদা শরুকয়াদুনা হান্না লৈরম্বা ফিভম অদু য়ৌরব্রা হায়বদু চাংয়েং তৌগদৌরি।

ট্রেনিং ফনা তৌরবসু অতোপ্পা লম্বা অমগা শান্নদ্রবদি অমদি প্রেসর সিচ্যুসনদা লাক্ত্রবদি কদায় ফাওবা ফিট ওইরি হায়বদু খঙবা ঙম্লোই হায়না সেননা মখা তাখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোবকা শান্নগনি। লোয়নননা ওক্টোবর ২৭তগী হৌগদৌরিবা সারলোলক্স ওপন টুর্নামেন্ট অদু জর্মনিদা মহাক্না টাইটল দিফেন্দ তৌগদৌরিবনি। দেনমার্কর্কী পিটর গাদে ট্রেনিং একাদমীদসু মতম খর ট্রেনিং তৌদুনা নবেম্বর লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াদা হল্লক্কনি হায়খি।

# রবিচন্দ্রবু খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না থা অসিগী ১৪দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন ফিফা/এম এ ফুটসাল ইন্সট্রক্টর্স কোর্স অমা ঝুম এপ্লিকেসন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী আই রবিচন্দ্রবু শরুক য়ানবা খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জেটিরমোই রোইনা থোরকপা মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেসন অদুদা ওদিও অমসুং ভিদিওনচিংবা পুম্নমক রিকোর্দিং তৌবা য়ারোই হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না খঙহল্লক্লি।



HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com